টি কে দল্লিয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এ স্কারনা টি ক্যু সী অমসুং জি ফাইভনা এফ সী সভেন এম আর মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস)ঃ
তেন্থা খোংবাল ৱেলফেয়র এসোসিএসন (টি কে দল্লিয়ু এ) তেন্থানা শীন্দুনা তেন্থা খোংবাল মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা টি কে দল্লিয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এ স্কার পাৎশোইনা টি ক্যু সী তেন্থা অমসুং জি ফাইভ হৈরোক্লা এফ সী সভেন এম আর খাবৈশোই মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৩৩না শরুক য়ারগা গ্রুপ ১১ থোক্লা খাইদোক্লুনা চথুরক্লিবা টি কে দল্লিয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মখা চথুরকপা ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদগী এ স্কার পাৎশোই অমসুং টি ক্যু সী তেন্থা শান্নখি।

মেচকী অহানবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিবৈঙে ১১শুবা মিনটতা এ স্কারগী জর্সি নম্বর ১২ ইনাওতোম্না গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। অদুবু মেচকী ২৪শুবা মিনটতা টি ক্যু সীগী জর্সি নম্বর ১২ জুলেটনা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি।

গোল ইক্বেলাইজ তৌখিবগী মিনট অমখক কান্নরগা ২৫শুবা মিনটতা এ স্কারগী জর্সি নম্বর ৫ তোনদোনবনা গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিম্মু অমুক হন্না মাঙজিল থাহল্লকখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এ স্কারগী অনীশুবা গোল অদু টি ক্যু সীনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৩৩শুবা মিনটতা এ স্কারগী জর্সি নম্বর ৭ নোংঙানবনা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি। মেচকী ৩৬শুবা মিনটতা টি ক্যু সীগী জর্সি নম্বর ৯ রহমন্না গোল অমা চল্লগা মেচ অদু গোল ২-৩দা লৈহনখি। অদুবু মেচকী ৩৭শুবা মিনটতা তোনদোনবনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চল্লগা এ স্কার অমসুং টি ক্যু সী গোল ৪-২দা লৈহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এ স্কারনা হেল্লিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা টি ক্যু সী মায়থীহৌখি। অদুগা এ স্কারনা মেচ অদু গোল ৪-২দা মায় পাকখিবনি।

অতোপ্পা মেচ অমদনা ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবদগী জি ফাইভ হৈরোক অমসুং এফ সী সভেন এম আর খাবৈশোই শান্নখি। মেচ অদু জি ফাইভ হৈরোক্লা লাকচরপ তৌনা শান্নখি।

অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নখি। মেচকী ২৪শুবা মিনটতা জি ফাইভকী জর্সি নম্বর ১১ সিটলনা গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিম্মু মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা এফ সী সভেন এম আরনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ২৮শুবা মিনটতা জি ফাইভকী জর্সি নম্বর ৪ ওকেননা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। মিনট ৩ কান্নরগা মেচকী ৩১শুবা মিনটতা অমুক জি ফাইভ হৈরোক্কী জর্সি নম্বর ১০ অরুননা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি।

জি ফাইভ হৈরোকনা মাঙজিল থারিবা গোলশিং অদু হন্দোক্ননবা এফ সী সভেন এম আর খাবৈশোইগী মায়কৈদগী চোকথবা নাইদনা হোৎনখি। অদুবু মেচ লোইশিল্লকপা ফাওবদা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা এফ সী সভেন এম আর খাবৈশোই মায়থীহৌখি। অদুগা জি ফাইভ হৈরোক্লা মেচ অদু গোল ৩-০ দা মায় পাকখি।

তেন্থা খোংবাল মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা টি কে দল্লিয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি এ স্কার পাইশোই অমসুং টি ক্যু সী তেন্থা শান্নখিবা মেচ অদুদা বিদ্যাশোরনা রেফ্রি, সনাতোম্বনা রেফ্রি টু অমদি অনাস খাননা ফোর্থ ওফিসল ওইখি। অদুগা জি ফাইভ হৈরোক অমদি এফ সী সভেন এম আর খাবৈশোই অনীনা শান্নখিবা মেচ অদুদনা জেতিননা রেফ্রি, অনাসনা রেফ্রি টু অমদি বিদ্যাশ্বরনা ফোর্থ ওফিসল ওইনা শরুক য়াখি।

## ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস)ঃ
মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা জুবেনাইল ক্লব অমদি রাম নরায়ন দিষ্ট্রি মেমোরিএল ত্রষ্টনা খূৎশম্নদুনা শীনবা ৪শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট থা অসিগী ২৩দগী হৌরগনি হায়না ক্লব অসিগী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইগদৌরিবা শান্নরোয় অদুদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২০গা লোয়নননা ট্রোফি পীগনি। রন্নর্স-অপ তাবা শান্নরোয়দনা লুপা লিশীং ১৫ অমসুং ট্রোফি, অহুমশুবা পোজিসন তাবদনা লিশীং ১০ অমসুং ট্রোফি, মরিশুবা, মঙাশুবা অমসুং তরুকশুবা পোজিসন তাগদৌরিবা শান্নরোয়শিংদা মথংশিংনা লুপা লিশীং ৭, ৫ অমসুং ৩ পীগদৌরি। অদুগা তরেৎশুবা পোজিসন্দগীনা ১২শুবা পোজিসন ফাওবদা লৈবা শান্নরোয়শিংদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশীং ১/১ পীগনি হায়রি। লোয়নননা খ্বাইদগী দিসিপ্লিন ফজনা শান্নবা শান্নরোয়দা লুপা লিশীং ২ পীগদৌরি হায়রি।

জুবেনাইল ক্লবকী মায়কৈদগী পীরকপা চেরোল অসিনা মখা তারদুনা শান্নরোয়শিংনা মণিপুর চেছ ক্লব অমসুং তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা জুবেনাইল ক্লবতগী লুপা ২০০ পীবা ফোর্ম লৌরবা য়াগনি হায়রি।

## ত্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস)ঃ
অহানবা সব জুনিয়র মেন্স নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অমসুং সেনিয়র (পটিয়ালা) বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী বোক্সর খন্ননবগী ত্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ৮দা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্লগনি হায়রি। বোক্সরশিংনা মখোয়গী চহীগী মেদিকেল সার্টিফিকেট অমসুং পাসপোর্ট শেমদুনা থমগদবনি হায়রি।

৪শুবা খুমুকচম ইবুংঙোয়াইমা সিংহ মেমোরিএল মেন ভেটরান হোকি টুর্নামেন্ট

# মৈরা বাসিখোংনা ৱাই এ সী য়াইস্কুলবু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস)ঃ
মণিপুর ভেটরান হোকি এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা খুমুকচম ওংবী লিওনি দেবী মেমোরিএল ত্রষ্টখুয়াথোংনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকপা ৪শুবা খুমুকচম ইবুংঙোয়াইমা সিংহ মেমোরিএল মেন ভেটরান হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মৈরা বাসিখোংনা ৱাই এ সী য়াইস্কুলবু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

ভেটরান হোকি টিম ৫না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ৪শুবা খুমুকচম ইবুংঙোয়াইমা সিংহ মেমোরিএল মেন ভেটরান হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি মৈরা বাসিখোং অমদি ৱাই এ সী য়াইস্কুলনা মেচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা য়াম্না ফজনা অমনা অমবু হেনজিন্নবা ঙম্নদনা শান্নখিবনা অহানবা ক্বার্টর অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা মৈরা বাসিখোংনা ৱাই এ সী য়াইস্কুলবু য়াম্লা লাকচনা শান্নরকখি। মেচকী ২৪শুবা মিনটতা মৈরা বাসিখোংগী এন গুনমনিনা মহাক্কী টিমগী একাউন্ট হাংদুনা স্কোর ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনট অনী কান্নরগা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৮ এন সুনিলনা গোল অমগা চনশিনখি।

সুনিলগী পাঞ্জল অদুগী মতুং মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা গুনমনিনা মিনট অনীগী মতুংদা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মেচকী অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা ৱাই এ সী য়াইস্কুলবু মখোয়না পাঞ্জল ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৩চঙশিল্লকপদা পাঞ্জল অহুম মাঙজিল থাদুনা লৈরবা মৈরা বাসিখোংগী টি ঐচ বিরজিৎনা ৩৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

অহানবা হাফতা পাঙ্গল খরা শোন্না শান্নখিবা ৱাই এ সী য়াইস্কুলগী মায়কৈদগী ফজবা খরা হৌরকখি। টিম অদুগী শান্নরোয় এস তরুননা ৩৫শুবা মিনটতা শোথরিবা পাঞ্জল ৪গী মনুংদা অমা হন্দোকপা হৌখি। মেচকী অহুমশুবা ক্বার্টর অদু লোইগদবা মিনট অমত্তা ঙাইরবা মতমদা ৱাই এ সীগী সী ঐচ সঞ্জিৎনা ৪৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২-৪দা লৈখি।

মেচকী অরোইবা ক্বার্টর অদু ৱাই এ সীগী মায়কৈদগী লেমহৌরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্নবা লাক্ল রকখি। পাঞ্জল অনীদগী হেনবা ঙমদ্রিবৈঙে মেচকী ৫১শুবা মিনটতা মৈরা বাসিখোংগী পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রগা এন গুনমনিনা মহাক্কী হেটট্রিক অদু চন্দুনা ৱাই এ সীবু মখোয়না ৫-২দা হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ৬তা ঙাইরবা মতমদা ৱাই এ সী য়াইস্কুলগী মায়কৈদগী কে এস ঐচ শান্তকুমারনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেচ অদু মখোয় ৩-৫তা মায়থীহৌখি। হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তারকপদা কোসমো ৱাংখৈ অমসুং টি ঐচ এ থৌবাল শান্নগনি।

অনীশুবা ষ্টেট লেভেল ইবুধৌ নোংশাবা সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# মঙাল এফ সীনা আই ৱাই সীবু পাঞ্জল ৮-১দা থোইখ্রে, এ স্কৱার লাক্তবদগী হেমন্ত এফ সী ৱাক ওভর ফংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস)ঃ
করাম অৱাং লৈকাই য়ুঠ ক্লব, করামনা শীন্দুনা করাম কাংজৈবুং লম্পাক্তা পাঙথোক্লিবা ২শুবা ষ্টেট লেবেল ইবুধৌ নোংশাবা ৭-এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট-২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা মঙাল এফ সীনা আই ৱাই সীবু পাঞ্জল ৮-১দা মায়থীবা পীখ্রে। এ স্কৱার লাক্তবদগী হেমন্ত এফ সী ৱাক ওভর ফংখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়ারগা পাঙথোক্লিবা ২শুবা ষ্টেট লেবেল ইবুধৌ নোংশাবা ৭-এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট-২০১৯গী ঙসি নুংথিলগী অহানবা মেচ অদু এ স্কৱারগী টিম লাক্তবদগী হেমন্ত এফ সী ৱাক ওভর ফংখি।



নুংথিলগী অনীশুবা মেচতা আই ৱাই সী অমসুং মঙাল এফ সী লম্বা তৌনখিবনি। মেচ অদুগী অয়াম্বা শরুক মঙাল এফ সীনা ফজবা হেন্দুনা লৈখি। মেচকী অহানবা পাঞ্জল শান্নবগী অহুমশুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী এস টোপ্পরনা চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদু চনখিবা মিনট অমা ফাদ্রিঙৈদা টিমমেট ঐচ কিরননা পাঞ্জল অমগা চনখি।

মঙাল এফ সীগী জর্সি নম্বর ৭ ঐচ কিরন্না পাঞ্জল অমা চনখ্রবা মতুং মেচকী ৮শুবা অমসুং ১০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী হাপচিল্লগা হেটট্রিক ফংখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবদা পাঞ্জল ৪-০দা মাঙজিল থাবা ঙম্লবা মঙাল এফ সীগী টি ঐচ সিটলজিৎনা ১৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী মঙাশুবা পাঞ্জল হাপচিনখি। লোয়নননা ১৭শুবা মিনটতা টিমমেট টি ঐচ লেনিননা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ৬-০দা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা আই ৱাই সীগী নোংলিকনা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুবু মঙাল এফ সীগী মায়কৈদগী সিটলজিৎ অমসুং টোপ্পরনা পাঞ্জল অমমমগা হাচিল্লগা মেচ অদু মখোয়না ৮-১দা থোইখি।

## ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস)ঃ
খোংজোম সর্কল ভেটরান স্পোর্টস ওর্গনাইজেসনননা শীন্দুনা থা অসিগী ১দগী তেকচম হায়র সেকেন্দরি শান্নবুং, তেকচম কাংজৈবুং চীংথম, সাপম অমদি লাঙথেল শান্নবুংদা টিম ২২না গ্রুপ ৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথুরিবা ৫শুবা ভি এস ও ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেচ থা অসিগী ৫দা তেকচম হায় স্কুলগী শান্নবুংদা নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা তেকচম এফ সী অমসুং বোলেরো এফ সীনা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াবদি, টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেলদা তেকচম এফ সীনা শমফবী এফ সীবু মায়থীবা পীরমখি। অদুগা অতোপ্পা সেমী ফাইনেলদনা বোলেরো এফ সীনা তাঙ্খুল এফ সী থোইরমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ অসিদা ৱাই কে কোলেজগী রিটয়র্দ প্রোফেসর এল বোন্দাসনা চীফ গেষ্ট ওইগদৌরি। অদুগা রিমস (পি এম আর) গী প্রোফেসর ডা. ৱাই নন্দবিরনা প্রসিদেন্ট ওইগদৌরি।

















| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Assistant Legal Advisor | LLB/LLM | 2 | Negotiable | 25-35 | H.Q |
| 2. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 2+2+2 +2+2 | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang |
| 3. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 7. | Driver (Car/Tata) | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 8. | Mechanic(2/W & 4/W) | VIII Passed | 3+2 | Negotiable | 18-35 | H.Q |
| 9. | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | 6,500-15,500 | 18-25 | H.Q |


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com